# মাসুদ অঝর পাকিস্টাননা ফাবা ঙমদ্রবদি ইন্দিয়ানা ফাগনি হায়না পঞ্জাবকী সী এম আর্মিন্দরনা ফোঙদোকখ্রে




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী)ঃ

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা থা অসিগী ১৪ দা থোকখিবা টেররিষ্টকী এটেক্তা সী আর পি এফকী পর্সনেল ৪০ লৈখিদবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা মহাক্কী লৈবাক্কী মায়কৈদগী থৌদোক অদুগা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরকপা অদুগী পাউখুমদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর আর্মিন্দর সিংহনা ঙসি এটেক অদুদা চাউনা চেন্নখিবা মাসুদ অঝর পাকিস্টানগী বহৱালপুরদা লৈরি। মহাকপু ফাজিল্লু নৎত্রবদি মহাকপু ফাবা অমদি লৌখৎপগী থবক তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর আর্মিন্দর সিংহনা ঙসি জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামাদা থোকখিবা টেরর এটেক অমদা চেন্নবা মীওই অমনি হায়না ইন্দিয়াগী ইন্টেলিজেন্সনা ফোঙদোকখিবা মাসুদ অঝর পাকিস্টানগী বহৱালপুরদা লোৎতুনা লৈরি হায়বা পাউলাকপদগী মহাকপু পাকিস্টান লৈঙাক্না ফাগদবনি হায়খি। করিগুম্বা পাকিস্টান লৈঙাক্না ফাবা ঙমদ্রবদি ইন্দিয়ানা মহাকপু ফাননবা তোঙান তোঙানবা থবকশিং লৌকৎকনি হায়না পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা চেকশিন ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা থৌদোক অদু পাকিস্টানদা বেজ তৌবা জাইস-ঈ-মোহম্মদ (জে ঈ এম) টেরর গ্রুপনা তৌখিবনি হায়না লূপ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হিরম অসিগী মতাংদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর কেপ্টেন আর্মিন্দর সিংহনা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা চেকশিন ৱাহৈ ফোঙদোক্তুনা করিগুম্বা পাকিস্টান লৈঙাক্না জাইস-ঈ--মোহম্মদকী মায়কৈদা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী থৌদোক অদুদা চেন্নখিবা লূপ অদু লৈবাক অদুদা বেজ তৌবা মরম্না করিগুম্বা পাকিস্টান লৈঙাক্না থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙমদ্রবদি মখা তানা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী খোঙলোয় অমদি পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী থৌদোক্তা মরুওইনা চেন্নখিবা মাসুদ অঝর ফানবা থবক থৌরম পুন্নমক পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, ঙসি অঙনবদা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা থোকখিবা চেরোল অমদা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা থৌদোক্তা সী আর পি এফকী পর্সনেল ৪০ শিখিবগী থৌদোক অদুদা পাকিস্টানগী মায়কৈদগী করিগুম্বা থবক অমত্তা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইমরান খাননা ৱাফম অসি লৈবাক অদুদা সাউদি অরাবিয়াগী লুচিংবা লাকপগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লি-ঙৈদা থোকখিবা থৌদোকনি। হিরম অদুদা পাকিস্টানগী মায়কৈদগী খুৎ য়াওবগী মরম অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি।

পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, করিগুম্বা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা থৌদোক অদু পাকিস্টান্দা মরাল শিবা পান্নবদি পাকিস্টানবু তরাই তরাইবু লৌবা য়ারোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্না পাকিস্টান্না এটেক অদু শৌগৎতুনা পাঙথোকখিবনি হায়না খন্দুনা এটেক তৌরক্লবদি মদুগী পাউখুম চপ চানা পাকিস্টান্না পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# সুপ্রীম কোর্টনা অসাম লৈঙাক্তা এন আর সীগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরিবা অদু লোইশিন্নবা হায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী সুপ্রীম কোর্টনা ঙসি অসাম লৈঙাক্না নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) গী অরোইবা ড্রাফ্ট অদুগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরিবা অদু লোইশিন্নবা হায়খ্রে।

সুপ্রীম কোর্টনা ঙসি অসাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) গী মতাংদা শেমখিবা অরোইবা ড্রাফ্ট অদু তোঙান তোঙানবা লূপশিংদা চয়েৎনবা লৈহল্লিবা অদু কোকহন্দুনা অরোইবা ৱারেপ অমা পুরক্নবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসামগী এন আর সী (নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স) গী মতাংদা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অদু কোক্লনবা ষ্টেট লৈঙাক অমদি সেন্টর লৈঙাক্না অরোইবা ড্রাফ্ট অমা তৌবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রীম কোর্টকী মায়কৈদগী অসামদা মীওই লাখ ৪০ হেনবনা ষ্টেট অদুদা পাঙথোকখিবা এন আর সীগী সর্ভে অদুদা য়াওখিদবনি। মরম অদুনা এন আর সীগী দেটাদা য়াওখিদবা মশিং য়ান্নবা মীরৈবাক্তগী চঙলকখিবা মীওইশিং অদু করম্বা মফমদা থমগদগে হায়বগী ৱাফম অচৌবা অমা লাক্লি।

ইন্দিয়াগী সেন্ট্রেল লৈঙাক্না নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্সগী থবক থৌরমশিং পায়খৎননবা হোৎনবদা পূক্লিং চঙদে হায়না অসামগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এন আর সীগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না অসামদা লৈরিবা মীরমদগী চঙলকখিবা মশিং য়ান্নবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোক্তুনা মখোয়গী হৌরকফম থিরগা মখোয়বু ষ্টেট অদুদগী অমদি ইন্দিয়াদগী মরমদমদা হলহনখিনবা স্কিম য়াওরিবনি।

সুপ্রীম কোর্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা হৌজিক হৌজিক অসামদা এন আর সীগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লিবা অসিদা পূক্লিং কা হেন্না চঙশিনবগী মমি উদে। মরম অদুনা সুপ্রীম কোর্টকী মায়কৈদগী অসাম লৈঙাক্তা এন আর সীগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি মপুং ফানা পাঙথোক্নবগীদমক্তা ষ্টেট লৈঙাক্না অরৈবা লম্বেল খুদিংমক থিবা মথৌ তাই হায়খি।

সুপ্রীম কোর্টকী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন এফেয়রসকী মায়কৈদগী এন আর সীগী লৈরিবা কাঙলোনশিং অসি চৎনবা য়াহন্দবগী তাঙ্কক অমা য়ৌরক্লি।

করিগুম্বা সুপ্রীম কোর্টকী মায়কৈদা থোকখিবা চেরোল/ওর্দর অদু ষ্টেট লৈঙাক্না ইনবা ঙমদ্রবদি লৈঙাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিদা ৱাকৎ থাঙ্গৎতুনা এন আর সী মপুং ফানা চৎনহনবগী থবক পায়খৎহনবা মথৌ তাই হায়খি।

হায়রিবা এন আর সীগী চয়েৎনবা অসি সুপ্রীম কোর্টকী হিয়ারিংদা চহী অসিগী মার্চ থাগী অহৌবা চয়োলদা মপুং ফানা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমসু অমসু শেমদুনা লৈখ্রে হায়রি।

কেস অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অসামগী এন আর সীগী মখাদা লৈরিবা কম্পেনি ১৬৭ অদুদা থবক থৌরমশিং তৌরিবা মীওই কয়া লৌথোক্তুনা মখোয় মখোয়গী পোক্ল ফম লমদমদা হনখিনবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়বা ৱারোল য়াওখি। অসামদা এন আর সীগী থবক থৌরমশিং সুপ্রীম কোর্টকী মায়কৈদগী চেকশিন্না য়েংশিনগদৌরি।

# বন্দে ভারত এক্সপ্রেসকী মতাংদা ফৎতবা ৱারোল শন্দোক্লিবা ময়াম চৈরাক পীগদবনি : মোদি




বনারাসি, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী অহানবা ইঞ্জিন য়াওদবা ট্রেন 'বন্দে ভারত এক্সপ্রেস' থাংজ নুমীৎতা অহানবা ওইনা থৌগদবা অদু টেক্নিকেল ওইবা অশোয়বা খরা লৈবদগী য়াখিদবা অদুগী মতাংদা ফৎতবা অমদি অরেম্বা ৱাহৈশিং ফোঙদোরকপা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী থৌনা ফনা রেলৱেগী মতাংদা থবক থৌরমশিং তৌরিবা এঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং টেক্নিসিয়নশিংবু ঈকায়বা পীবা য়াবা ৱারোল ফোঙদোরকপা মীওইশিং অদু চৈরাক পীগদবনি হায়না লৈবাক অসিগী ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংবশিংনা ট্রেন অদুগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা পীখিবনি।

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা সেমি হায় স্পিদ ট্রেন অমা শেমগৎতুনা মীয়ামদা শিন্নবগী থবক থৌরম পায়খৎলিঙৈ অদুদা টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা খরা য়াওরকপা অদুনা মরম ওইরগা ট্রেন অদু লমথাবা য়াখিদবা অদুনা ফাগী-জুগাই অমদি করেম-কথাইনবগী ৱারোলশিং ফোঙদোক্তুনা এঞ্জিনিয়ার অমদি টেক্নিসিয়নশিংদা ঈকায়বা পীবা অদু তরাইনা লৌদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধী অমদি সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস যাদবনা থাংজ নুমীৎতা 'ট্রেন-১৮' হায়না খঙনরম্বা সেমি হায় স্পিদ ট্রেন অদু বরানাসিদগী দিল্লি য়ৌরকপদা কিলোমিটর ২০০ থৌরগা লেপখিবা অদুগী মতাংদা ৱাহং হংলকখিবনি। ট্রেন অদুদা তোংলকখিবা রেলৱেগী ওফিসলশিং, পাউমীশিং অমদি অতোপ্পা পেসেঞ্জর খরা মখা তানা দিল্লি য়ৌগদবা কিলোমিটর ২০০ ৱাৎলিঙৈদগী ট্রেন অদু লেপখিবদগী অতোপ্পা ট্রেন অমদা শিন্দোক্তুনা চৎহনখি হায়রি।

মোদি লৈঙাক্কী মখাদা মেক ইন ইন্দিয়া হায়বা খোল্লাউ অদু মখা তানা থিজিন-হুমজিনবা অমদি শেমগৎপগী মথৌ তারে হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবনি। সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস যাদবনা লৈঙাক অসিবু মরাল শিদুনা খোয়শাওনরবা লৌউবশিং, থবক ফংদবা নহারোলশিং অসিগীদমক্তা ৱাখল থাদবা মতম য়ৌরে হায়খি।

# মনোহর পরিকর মখা তানা সী এমগী থৌদাং পুখিগনি : গোৱা স্পিকর

পনাজি, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী)ঃ

গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকর মশাগী অনাবা অমগী মতুংইন্না লায়েংলিবা অদুগী মতাংদা ষ্টেট অদুগী দেপ্যুটি স্পিকর মাইকেল লোবোনা ফোঙদোকখিবদা, পরিকরনা হিংলিমখৈ ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর অদুম ওইখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গোৱা ষ্টেটতা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরিমখৈ চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকরনা মশাগী অনাবা লৈরবসু ষ্টেট লৈঙাক অদুগী লুচিংবা অদুম্মক ওইখিগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। দেপ্যুটি স্পিকর মাইকেল লোবোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মনোহর পরিকর লৈঙাক অদুগী য়াম্না মরুওইবা মীওই অমনি। মহাক্না মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লায়েংদুনা লৈরবসু মহাক্কী মহুৎ শিনবীনবা মীওই গোৱাদা লৈতে। মহাক্না লৈরিবমখৈ গোৱাগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু অদুম্মক মহাক্না পুদুনা লৈখিগনি হায়না লোবোনা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখিবনি। সী এম পরিকর পেনক্রিয়াট্রিককী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা চহী ১ রোম তোঙান তোঙানবা মফমদা লায়েংদুনা লাক্লিবনি।

# রজিব কুমার ট্রান্সফর তৌখ্রে, মহাক্কী মহুৎ অনুজ শর্ম্মনা কোলকাটাগী পুলিস কম্মিস্নারগী থৌ পুরগনি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী)ঃ

কোলকাটাগী পুলিস কম্মিস্নার রজিব কুমার সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না শিল্লোংদা সারাধা স্কামদা চেন্নে হায়বগী মতাংদা ৱাহং পাউহং তৌবা লোইরবা মতুং মহাকপু এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি) গী ফম পীদুনা ট্রান্সফর তৌখ্রে। মহাক্কী মহুৎ অনুজ শর্ম্মনা কোলকাটা পুলিস কম্মিস্নার ওইরগনি।

সারাধা স্কামদা চেন্নে হায়বগী মতাংদা সী বি আইনা ৱাহং পাউহং তৌখিবা কোলকাটাগী পুলিস কম্মিস্নার রজিব কুমার শিল্লোংদা মহাক্কী মথক্তা সী বি আইনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী ৱাহং পাউহং অদু লোইরগা তোঙান্না সী বি আইগী মায়কৈদগী পীরকখিবা রিপোর্ট অদু য়েংলুরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না রজিব কুমারবু মহাক্না হান্না পায়রম্বা ওফিস অদুদগী লৌথোক্লগা অতোপ্পা মফমদা থবক থৌরম পায়খৎনবা সুপ্রীম কোর্টকী ৱারোল অদুদা য়াওখিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট অমসুং আই পি সী ওফেন্সকী মতাংদা সী বি আইনা লৌখৎলকখিবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক থৌরমশিং অদুদা মরাল লৈবা ওফিসর কয়া য়াওরি হায়না ফোঙদোরকখি। সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন্না কোলকাটাগী কম্মিস্নার রজিব কুমারদা পীখিবা মরালশিং অদু মশামক্না য়াজখিবগা লোয়ননা থবক থৌরমশিং অদুগী অকুপ্পা মরোলশিং হয়েং ফোঙদোক্লগনি হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;
IMPHAL WEST - PATSOI

*Ref:- Mut. Case No. 117/SDC/IW(P) of 2019*

1. Sougrakpam Rajendro Singh, S/o (L) Yaima Singh of Changangei Makha Leikai.
2. Sougrakpam Manglembi Devi, W/o (L) Surendro Singh of -do-

*-Petitioners*

-Vrs-

(L) Sougrakpam Shamu Singh, S/o (L) Yaima Singh of Changangei.

*-Deceased Pattadar*

NOTICE

19/02/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউ-চেগী খুৎথাংদা খংহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোই তহসিলগী খুন নং ৭৮- চঙাঙ্গৈ পাট্টা নং ১৩৪ (অরিবা), ৪৮৬ (অনৌবা) গী দাগ নং ৪৯, ৭৮, ১৭৬ অমসুং ২৫৮ গী এরিয়া ০.৬১০০০ একর, ফৌরেল +০.১২০০০ একর ফৌরেল + ০.৪১০০০ একর অঙনফৌ + ০.৩৬০০০=১.৫০০০০ একর অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১) অসিনা দাগ নং ৪৯,৭৮ অমসুং ২৫৮ গী এরিয়া ০.৬১০০০, ০.১২০০০ অমসুং ০.৩৬০০০ একর ফৌরেল অসিদা অদুগা দংকারিনি নং (২) দনা দাগ নং ১৭৬ কী এরিয়া ০.৪১০০০ একর, অঙনফৌ অসিদা মথংশিংনা মৃ: পাট্টাদার ময়াম্বগী অমদি মপুরোইবগী স্বৰ্ত্তদা অমসুং দখলগী মতুংইন্না নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৮/২/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপিহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

Sd/-

HL-P/3521/20 Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;
IMPHAL WEST - PATSOI

*Ref:- Mut. Case No. 118/SDC/IW(P) of 2019*

1. Longjam Sanaton Singh, S/o (L) Ibocha Singh of Sagolband Heinoupok.
2. Longjam Dorendro Singh, S/o (L) -do- of -do-

*-Petitioners*

-Vrs-

(L) Longjam Ibomcha Singh, S/o (L) Tomba Singh of Langjing.

*-Deceased Pattadar*

NOTICE

19/02/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউ-চেগী খুৎথাংদা খংহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোই তহসিলগী খুন নং ৮১- তাওবুংখোক্কী পাট্টা নং ৭৯ (অরিবা), ৪০৮ (অনৌবা) গী দাগ নং ৫১৪ গী এরিয়া ০.৮১ একর চাওবা অঙনফৌগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১) অমসুং (২) অনি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বৰ্ত্তদা অমদি দখলগী মতুং ইন্না এরিয়া লোইনমক নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা য়েৎপিনিংবা মৃ: পাট্টাদার মপাগা মরি লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরগদি লক্লিবা তাং ২৮/২/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপিহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

Sd/-

HL-P/3521/20 Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HelpingHand Group

STAFF WANTED

| S.No | POST | NOS | QUALIFICATION | AGE | Pay |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Recovery officer (RO) | 8 | 10+2 and above | 24+ | Negotiable |
| 2 | Sales Manager | 3 | 10+2 and above | 24+ | |
| 3 | Salesman/Marketing | 5 | 10+2 and above | 24+ | |

FORM SUBMISSION LAST DATE on 27Feb 2019 & Interview on 28 Feb.2019 at 10 am.

( Office hrs. 10 am - 5pm ) ( Govt. Registered Financial Institute)
*Head office:* Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2441294 / 9774073562

HL-B/5213/20,22,24,26,28 Feb. 2,4,6,8,10,12,14,16,18,20

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF SOCIAL WELFARE

**Notification**

Imphal, the 18th February, 2019.

**No. 7/90/2018-SW(MSK)** It is hereby notified for information of all the candidates who applied for engagement of contractual staff in different categories of posts under the State Resource Centre for Women under the Mahila Shakti Kendra Scheme(MSK) that the interviews for different categories of posts will be held at Directorate of Social Welfare, 2nd M.R Gate, A.T Line, Imphal as per the schedule given below:

| Sl. No. | Name of Post | Date | Time |
|---|---|---|---|
| 1. | Specialist Gender | 25/02/2019 | 10:00 am to 4:00 pm |
| 2. | Research Officer | 26/02/2019 | 10:00 am to 2:00 pm |
| 3. | Training and Research Officer | 27/02/2019 | 10:00 am to 1:00 pm |
| 4. | Assistant | 28/02/2019 | 10:00 am to 12:30 pm |

Admit Cards may be collected from the Directorate from 20th February 2019 onward between 10:00 am to 5:00 pm.

Sd/- **Ms. Jaspreet Kaur, IAS**
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-B/3513/19, 20

SALAI HOLDINGS PVT. LTD.
Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West, Manipur-795001, India

RECRUITMENT NOTICE

SALAI Holdings Pvt. Ltd. invites the service of qualified person for its subsidiary unit viz. SALAI Biotech Park Pvt. Ltd. to fill the following requirements:

Vacancy - 2 posts

Qualification : M.Sc. Industrial Microbiology / Biotechnology / Equivalent or above

Desirables : i) Good theoretical knowledge and good practical exposure in subjects - plant tissue culture, large scale production of exquisite mushrooms, brewery sector of local and indigenous beverages.
ii) Should be capable of liasing with subject matter expert.
iii) Should look after the operational requirement of the whole project.
iv) Should be capable of handling the research and development of the products in the specific sector mentioned above.
v) Should be willing for regular official visits outside Manipur and contact abroad in lieu of the research and development of the project to different states of India.
vi) Willing to stay outside Manipur for official purpose.

Salary : Negotiable

Eligible and interested candidates are required to kindly bring updated resume, all requisite documents and certificate along with 2 passport size photos and contact the undersigned on or before 28th February 2019 for further details.

Sd/-
Secretary, Human Resources Department
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.

HL-P/5963/20,22,24

DELTA Tutorials
Kwakeithel, Imphal
The Largest Trusted Coaching Centre for Sc. & Arts in Manipur

Why Delta ?
- Seperate class for CBSE & COHSEM
- Weekly, Monthly & Mega Test Series
- Strictly Monitored & Cared Class Room
- Provide Study Materials & Question analysis

Seats Limited: 40 Students only

Foundation course for
Class X & XII (Sc. & Arts)
Class Starting: 1st April, 2019
Last Date of Admission: 28th March, 2019

What after Class X Exam ?
Come & Join
Special FREE
Advance Foundation course for
Class XI (Sc. & Arts)
Class Starting: 27th March, 2019
Last Date of Admission: 18th March, 2019
Hostel / Van Service Available

HL-B/5157/29/1-28/3(Alt.)

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2019
For NEET (Medical) Aspirants
Class commencement from:- 14th March 2019

SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X (Current year 2017) (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X (Current year 2017) Through Screening Test.
- Special concessions for all COMET School students (Limited seats)

Prospectus and Admission form available from : 28/01/2019
FIRST COME FIRST SERVE
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near Keishampat Airport Road Imphal

HL-B/5211/19,20,22,25,28 Feb.

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/3785/12/2-13/3